# আই সি সি ৱর্ল্ড টি-২০ ঃ শ্রী লঙ্কানা অফঘানিষ্টানবু ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীদুনা খোঙফম চেৎশিলহনখ্রে



কোলকটা, মার্চ ১৭ ঃ

ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা চথরিবা আই সি সি টি-২০ ৱর্ল্ড কপকী সুপর টেনগী ঙসি মফম অসিগী ইদন গার্দেন্দা শান্নখিবা মেচতা শ্রী লঙ্কানা অফগানিষ্টানবু ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীদুনা কপ অসিদা খোঙফম চেৎনা লেপ্পা ঙমখ্রে।

মেচ অসিদা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবা অফঘানিষ্টান্না অপীবা ওভরদা ৱিকেট ৭ তুরগা অপূনবা রন ১৫৩ লৌদুনা শ্রী লঙ্কাগীদমক টার্গেট রন ১৫৪ পীরমখি।

শ্রী লঙ্কানা মখোয়গী টার্গেট রন ফংননবা তানখৎখিবদা ওভর ১৮.৫ দা ৱিকেট ৪ তুরগা অপূনবা রন ১৫৫ লৌদুনা অফঘানিষ্টানবু ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীখি।

শ্রী লঙ্কাগী ওপনিং বেটসমেন দিনেস চান্দিমল (ৱিকেট কিপর) না বোল ১৭ তা রন ১৮ লৌখি। তিল্লকরত্নে দিলসাননা নোট আউটতা লৈদুনা বোল ৫৬ তা রন ৮৩ লৌদুনা টিমগী খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা বেটসমেন ওইদুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি। মহাক্না ফোর ৮ অমদি সিক্স ৬ লৌখি। টিমগী বেটসমেন লাহিরু টিরিমানেনা রন ৬, টিসারা পেরেরানা রন ১২, চমরা কাপুগেদেরানা রন ১০ অমদি এঞ্জেলো মেথিয়ু (কেপ্তেন) না নোট আউটতা লৈদুনা রন ২১ লৌখি।

টিম অসিগী বোলর টিসরা পেরেরানা রন ৩৩ পীথোক্লগা ৱিকেট ৩ অমদি রঙ্গনা হেরাপনা রন ২৪ পীথোক্লগা ৱিকেট ২ লৌখি।

অফঘানিষ্টানগী অসঘার ষ্টানিকজাইনা বোল ৪৭ তা রন ৬২, সামিয়ুল্লা সেনৱারিনা বোল ১৪ দা রন ৩১ লৌবা ঙমখ্রবসু টিমবু মায়থীবদগী কনবা ঙমখিদে। মখোয়গী বোল্লর মোহম্মদ নাবি অমদি রসিক খাননা ৱিকেট ১/১ লৌখি।

অমরোমদা আই সি সি টি-২০ ৱর্ল্ড কপকী সুপর তেনগী ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেচতা ৱেষ্ট ইন্দিজনা ইংলেন্দবু ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী কেম্পেন মায় পাক্লা চঙশিনবা হৌখ্রে।

টোস ঙমখিবা ৱেষ্ট ইন্দিজনা অহানবা ফিল্ডিং তৌনবা খনখিদুনা ইংলেন্দনা বেট্টিং তৌখি। ইংলেন্দনা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৮২ লৌখি। মখোয়গী বেটসমেন জো রুটনা রন ৪৮, জো বটলরনা রন ৩০, ইয়োন মোর্গাননা রন ২৭ অমদি এলেক্স হেল্সনা রন ২৮ লৌদুনা মখোয় টিমগীদমক অচেৎপা খোঙফম অমা শেমখি। অদুবু ইন্দিজগী বোল্লর এন্দ্রে রুসেল অমদি দ্বাইন ব্রেভোননা ৱিকেট অনী অনী অমদি সুলিমান বেননা ৱিকেট অমা লৌদুনা ইংলেন্দগী মায়কৈদা শাফু অমদি পীরি।

ইংলেন্দনা পীরমখিবা টার্গেট রন অদুবু ফংনবা ৱেষ্ট ইন্দিজনা তান্নরকপদা ওপনিং বেটসমেন জোন্সন চার্লেসনা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা ইংলেন্দগী বোল্লর দি ৱিল্লিগী মখুৎতা আউট ওইদুনা টিমদা লৈতাদবা অমা ওইহনখি। অদুবু মার্লোন সামুএলসনা বোল ২৭ তা রন ৩৭, দিনেস রামদিন (ৱিকেট কিপর) না বোল ১৪ মায়োক্লখিবদা রন ১২ লৌখি। খৃষ্ট গয়েলনা এন্দ্রে রুসেল অনীগী পার্টনরশিপতা ওভর ১৮.১ দা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ১৮৩ লৌদুনা মায় পাকপগী রন মশিং অদু য়াম্না লায়না লৌখি। গয়েলনা বোল ৪৮ দা সেঞ্চুরি অমদি রুসেলনা বোল ১৬ তা রন ১৬ লৌদুনা ইন্নিংসকী অরোইবা পুংজাফাওবা লৈদুনা টিমগীদমক থৌনা ফনা লেপখি।

# মণিপুরগী সুশিলা চনুনা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমগী ভাইস কেপ্তেন ওইনা থৌ পুরগনি



অনুরধা দেবী থোকচোম



সুশিলা চনু পুখ্রম্বম (ভাইস কেপ্তেন)

ন্যু দেল্লি, মার্চ ১৭ ঃ

ন্যুজিলেন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা মসিগী হাষ্টিংদা লাক্লিবা এপ্রিল ২ দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা হোক'স বে কপতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপী হোকিগী মেম্বর ১৮ না শাবা টিম অমবু সেনিয়র দিফেন্দর দীপিকানা কেপ্তেন ওইনা লুচিংবগা লোয়ননা মণিপুরগী সুশিলা চনু পুখ্রম্বমনা ভাইস কেপ্তেন ওইনা থৌ পুরগনি।

ইন্দিয়াগী রিগ্যুলর কেপ্তেন ওইনা লৈরিবা রিটু রানিনা পোত্থাদুনা লৈখিবদগী দীপিকাবু কেপ্তেনগী থৌ পুহনখিবনি। অদুগা মণিপুরগী সুশিলা চনু পুখ্রম্বমবুনা দীপিকাগী দিপুটি ওইনা টুর্নামেন্ট অসিগীদমক হাপখি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিদা মণিপুরগী অনুরধা দেবী থোকচোমনা ফোরৱার্দতা লৈদুনা মহাক্কী মশক থোক্লবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়োক্তা অকনবা এটেকশিং তৌহনগদৌরি।

ইভেন্ট অসি ইন্দিয়াগী ওইনা লাক্লিবা রিও ওলেম্পিক্কী মাঙওইননা চত্থবা শেম শাবা ওইনা লৌরি। সেলেক্টরশিংনা ইন্দিয়াগী নুপী টিম অসি নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অমদি এক্সপরিএন্স লৈরবা প্লেয়রশিংগা পূন্না শেম্লি। মসি লাক্লিবা ওলেম্পিক অসিগী য়েংলগা সেনিয়র ৱিমেন'স টিমগী মপাঙ্গল কনখৎহন্ননবগীদমক লৌখৎলকপা থবকনি।

কেপ্তেন ওইনা থৌ পুরগদবা দীপিকানা হায়খি, ঐখোয়গী ওইনা চৎলিবা চহী অসি ওলেম্পিক্কী চহী ওইবনা টুর্নামেন্ট অসি খ্বাইদগী মরু ওইবা অমা ওইনা লৌই। ঐখোয়না ন্যুজিলেন্দদা পীগদৌরিবা পার্ফোমেন্স অদুনা ঐখোয়গী ওলেম্পিক্কীদমক শেম শারিবা অসি কয়াম য়াম্না মপুং ফারবগে হায়বদু খঙবা ঙম্লগনি।

টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিংনা মশাগী হৈথোই শিংথোইবশিং অদু পুথোক্তুনা শান্নগনি অমদি ঐখোয়গী টিমনা রেঙ্ক ৱাংনা লৈবা টিমশিংগা অকনবা লম্বা তৌদুনা ঐখোয়গী তৌবা ঙম্বা অদু উৎকনি।

পনবা য়াই, হোকি মশান্নগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা এফ আই ঐচনা লাউথোকখিবা মালেমগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়ানা ১৩ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবনি। ইন্দিয়ানা মহাক্কী পুল বিগী গ্রুপতা রেঙ্ক মরিশুবদা লৈরিবা ন্যুজিলেন্দ, রেঙ্ক মঙাশুবদা লৈরিবা চাইনা অমসুং রেঙ্ক ১৫ শুবদা লৈরিবা আইরলেন্দগা পূন্না তামিন্নরি।

লাক্লিবা ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসগী নুপী হোকিদা ইন্দিয়াসু ক্বালিফাই ওইদুনা লৈরিবনি। ইন্দিয়াদা নত্তনা ন্যুজিলেন্দ অমসুং চাইনাসু ওলেম্পক্কী ক্বালিফাই ওইবা টিম ওইরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী পুল এদা ওষ্ট্রেলিয়া, কোরিয়া, জপান অমদি কানাদানা পূন্না তামিন্নরি। টুর্নামেন্ট অসিদা লীগ মেচশিং শান্নরবা মতুং ক্বার্টর ফাইনেলদগী নোক আউট ষ্টেজদা চত্থগনি।

ইন্দিয়ানা মহাক্কী অহানবা মেচ ওইনা এপ্রিল ২ দা ন্যুজিলেন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। এপ্রিল অহুমদা আইরলেন্দগা শান্নরবা মতুং এপ্রিল ৫ দা চাইনাগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা মখোয়গী অরৈবা থৌনা লিংজেল পুথোক্তুনা শান্নবগা লোয়ননা মখোয়গী তৌবা ঙম্বশিং অদু উৎননবা চীফ কোচ নেল হোগুদকী মখাদা অকনবা ত্রেনিং তৌদুনা শেম শারিবনি।

চীফ কোচ হোগুদনা হায়, হোক'স বে কপ অসিনা টিমগী কান্নরবা এক্সপোজর পীগনি। ঐখোয়না টুর্নামেন্ট অসিদা অনৌবা মখলগী ষ্ট্রেটেজিশিং লৌখৎতুনা শান্নগনি। মসিনা টিমদা কয়াম য়াম্না কান্নবা পীবগে হয়বদু খঙদোক্লবা টেষ্ট তৌনবগী খুদোংচাবা অমসু ওইহনগনি।

ঐখোয়না টুর্নামেন্ট অসিগী শেম শারিবা অসি অফবা মাইওন্দা চঙশিল্লি অমদি ন্যুজিলেন্দদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্সশিং উৎকনি হায়বগী আশা তৌরি হায়না হোগুদনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন টিমদা য়াওরিবা মেম্বরশিং অদুদি গোল কিপরদা সবিতা অমদি রজনি ইটিমারপুরনি। দিফেন্দরদা দিপগ্রেস ইক্কা, দীপিকা (কেপ্তেন), সুনিতা লাক্রা, সুশিলা চনু পুখ্রম্বম (ভাইস কেপ্তেন), ঐচ লালরৌটফেলি, নামিতা টোপ্পো অমসুং নিক্কি প্রধাননি। মিদফিল্ডরদা লিলিমা মিঞ্জ, নভজোট কৌর, মোনিকা অমদি প্রিটি দুবেনি। ফোরৱার্দতা রানি, পুনম রানি, ভন্দনা কটারিয়া, অনুরধা দেবী থোকচোম অমসুং সোনিকানি।

নীংশিংবা য়াই, ষ্টেল্লেনবোচতা চৎলিবা থা অসিগী মার্চ ১ দা চত্থখিবা সাউথ অফ্রিকা টুরদা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা থংনা থংননা জর্মনিগী মখূৎতা অনীরক শুবা ওইনা ২-৩ দা মায়থীখি । টুর অসিগী জর্মনিগা শান্নখিবা অহানবা মেচতা ইন্দিয়ানা ০-৩ দা জর্মনগী মখূৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

টুর অদুগী মার্চ ২ দা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচতা পুনম রানিনা গোল অনী চন্দুনা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা টুরগী অরোইবা মেচতা স্কোটলেন্দবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপী টিম্মা মমাংদা শান্নখিবা মেচতা জর্মনিগী মখূৎতা ২-৩ দা মায়থীখিবা অদুগী লমন খুন্বা ওইনা স্কোটলেন্দবু মায়থীবা পীখিবনি হায়রি।




## তোনস্না মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

থৌবাল, মার্চ ১৭ ঃ য়াইরিপোক গ্যাস সার্ভিসকী স্পোন্সর মখাদা বিষ্ণুনহা য়ুথ ফেদরেশন য়াইরিপোক (বি ৱাই এফ ৱাই) না শিন্দুনা চথরিবা অহানবা লেট ওইনাম ওংবী তোনস্না দেবী সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা নসাল সেকমাই অমসুং টি ৱাই টি ও টোপ গোল ১-১ দা দ্রো ওইখ্রে। মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্না য়াম্না হৈশিংনা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্লখিদে। নসালগী গোল অদু এন রিসিনা চনখি। টি ৱাই টি ও টোপকী গোল অদুনা এন জি জেমসন্না চনখি। ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা বি ৱাই এফ ৱাই টিম এনা য়াম্বেম গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা বি ৱাই এফ ৱাইগী গোল অনী অদু এম জেমসন অমসুং এন বোনিসন্না চনখি। য়াম্বেমগী গোল অদুনা তাম্বনা চনখি।

## রাজবাপু মেমোরিএল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ ঃ

য়ঙ মেন দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেশন (ৱাই এম দি ও) হৈরাঙ্গোইথোং ৱেষ্টনা শিন্দুনা হৈরাঙ্গোইথোং ভোল্লিবোল গ্রাউন্দদা চথরিবা মরিশুবা এল রাজবাপু শর্ম্মা মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল জুনিয়র বোইজ কেশ প্রাইজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি লীগ মেচ লোইখিবগা লোয়ননা সেমী ফাইনেল লাইন অপ তৌখ্রে। অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ হয়েং নুংথিল ৱাই এম দি ও (য়ু) হৈরাঙ্গোইথোং অমসুং ৱাই এম দি ও (এস) হৈরাঙ্গোইথোংগা শান্নগনি। অনীশুবা সেমী ফাইনেল আই জি ও ওইনাম অমসুং এন ৱাই ভি এ নম্বোল নাওরেমগা শান্নরগনি।

ঙসি মেচ অমখক শান্নখিবদা এন ৱাই ভি এনা এস য়ু দব্লিয়ু সি সেট ৩-১ (৩১-২৯, ২৫-২১, ২৪-২৫, ২৫-২০) দা মায়থীবা পীখি।

## লসাল স্পোর্টস মীট ঃ চন্দ্রেশ্বর মেমোরিএল ষ্টেট ওপন সভেন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ ঃ

লসাল লৈমপোকপম খুনফম্না শিন্দুনা লৈমপোকপমদা লৈবা লসাল গ্রাউন্দদা চথরিবা ২১ শুবা লসাল স্পোর্টস মীট ২০১৬ এন চন্দ্রেশ্বর মেমোরিএল ওপন সভেন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচতা লসা লৌরেম্বম, জি এস এফ সি লৌরেম্বম, আই জে ইন্টরপ্রাইজ নম্বোল অমসুং সি এন এফ টি খুনফম মায় পাকখ্রে।

টিম ২৬ না গ্রুপ ৮ দা শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা লসা লৌরেম্বমনা এফ সি লমলাই গোল ৪-৩ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা লসা লৌরেম্বমগী গোলশিং অদু জেকিনা গোল অহুম, সুরেসনা গোল অমা চনখি। এফ সি লমলাইগী গোলশিং অদু এম জি জিতেন অমসুং এস হেরোজিৎনা গোল অমমম চনখি অদুগা লসাগী রেগন্না ওউন গোল অমা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা জি এস এফ সি কৈশাম্পাৎনা আই জি এ লৈমপোকপম গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। জি এস এফ সি কৈশাম্পাৎকী গোল অহুম অদু পিয়ান্দা, হেমবোই অমসুং জেমসনা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা আই জে ইন্টরপ্রাইজ নম্বোলনা কে ৱাই সি টিম এ খাথোং গোল ৮-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা আই জি ইন্টরপ্রাইজগী গোলশিং অদু নাওতোন্না গোল অনী, জালিনা গোল অনী, গৌরোনা গোল অনী, রোসন অমসুং মৈনোনা গোল অমমম চনখি। কে ৱাই সি টিম এগী গোল অনী অদু অক্সে কুমার অমসুং অনিলকুমারনা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা মেচতা সি এন এফ টি খুনফমনা কে ৱাই দি ও কৈনৌ গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। সি এন এফ টি খুনফমগী গোল অনীমক কে ঐচ অমুথোইনা চনখি অদুগা কে ৱাই দি ও কৈনৌগী গোল অদুনা সি ঐচ সমানন্দনা চনখি।

## থাঙ-তা ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ ঃ ইষ্টর্ন থাঙ-তা ওর্গেনাইজেশন তাঙ্খমনা শিন্দুনা থা অসিগী ২৬ তগী ৩০ ফাওবা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা তাঙ্খম কালিকা লাইরেম্বী হরাউবুংদা ফেষ্টিভেল ওফ থাঙ-তা আর্টস পাঙথোক্লগনি। ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান তোঙানবা থাঙ-তাগী শিন্দমশঙশিংদগী লাকপা মহৈরোয়শিংনা থাঙ-তগী মনুংদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা মশান্না অমদি ফজরবা শো কয়া উৎপনা ফেষ্টিভেল অসিগী মরু ওইবা থৌরম ওইগনি। মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা ওর্গেনাইজেশন অসিদগী অবৃক্পা মরোল খঙ্গলবা য়াগনি হায়রি।

## ষ্টেট লেভেল কেশ প্রাইজ মেন ওপন ইন্টর ভিলেজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ ঃ

ৱাই ভি এ ঙাইরাংবমনা শিন্দুনা ঙসিদগী অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল কেশ প্রাইজ মেন'স ওপন ইন্টর ভিলেজ ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ টিম ১০ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা চত্থবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি গ্রুপ এদা ৱাই ভি এ টিম এ ঙাইরাংবম, এন ৱাই ভি এ নাওরেম, ৱাই দি সি য়ুরেম্বম, এস ৱাই এস সি সঙাইথেল অমসুং এল ৱাই দি সি লুকেরনি। গ্রুপ বিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি ৱাই ভি এ টিম বি ঙাইরাংবম, ভি এস এ মোইদাংপোক, এন ৱাই দি সি খাইদেম, কে ৱাই দি সি কাচিখুল অমসুং এম ৱাই দি সি মাক্লংনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিত্তা শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচতা এস ৱাই এস সি শঙাইথেল, এম ৱাই দি সি মাক্লং, ভি এস এ মোইদাংপোক অমসুং এন ৱাই ভি এ নাওরেম মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এস ৱাই এস সি শঙাইথেলনা এল ৱাই দি সি লুকের সেট ৩-০ (২৫-২২, ২৬-২৪, ২৫-১৪) দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেচতা এম ৱাই দি সি মাক্লংনা ৱাই ভি এ টিম বি ঙাইরাংবম সেট ৩-১ (১৭-২৫, ৩১-২৯, ২৫-২১, ২৭-২৫) দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা মেচতা ভি এস এ মোইদাংপোক্না এন ৱাই দি সি খাইদেম সেট ৩-১ (২০-২৫, ২৫-১৮, ২৫-১৫, ২৫-২০) দা মায়থীবা পীখি। মরিশুবা মেচতা এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না ৱাই ভি এ টিম এ ঙাইরাংবম সেট৩-১ (২৫-১৪, ২৫-১৫, ২১-২৫, ২৫-১২) দা মায়থীবা পীখি।







